মচাশিংগী অপাম্বা হৈনবী খঙদবীদা মমা-মপানা পাম্বা ত্রেদতা নম্ফুদা থারোইদবনি

- ফ্রান্সিস ঙাজোকপা

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, জুন ৮ঃ বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুরনা লৌবা ঐচ এস এল সি পরিক্ষা ’২০১২ দা ১০ শুবা পোজিসন ফাওবগী মনুংদা লৈবা মহৈরোইশিং অমদি তোঙান তোঙানবা সবজেক্টকী টোপ্পরশিংবু ওক্তুনা প্রাইজ য়েন্থোকপগী থৌরম ঙসি ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মণিপুর ফিল্ম দিভলপমেন্ট কোওপরেসনগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুরনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা চহিগী প্রাইজ য়েন্তোকপগী থৌরম অসিদা মণিপুর সরকারগী রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়েটি রাজগী মিনিষ্টর ফ্রান্সিস ঙাজোকপা, এদুকেসন (এস) কী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি ডাঃ জে সুরেশ বাবু অমসুং এদুকেসন (এস) কী দাইরেক্টর দল্লিয়ু রাজেননা মথংশিংনা চিফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

থৌরম অসিদা চিফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা মিনিষ্টর ফ্রান্সিস ঙাজোকপনা ফোঙদোকখিবদা মণিপুরনা স্পোর্টস খক্তদা নত্তুনা এদুকেসনগী হিরমদা মাংজিল থাবা ষ্টেট অমা ওইহন্নবা হোৎনসি। মণিপুরদা হৌজিক এদুকেসনদা হেন্না খুমাং চাওশিনবা ষ্টেট ওইবা ঙম্লক্লি।

মণিপুরগী অফবা মহৈরোই কয়া থোরক্লি। মখাতানা হেন্না অফবা মহৈরোই কয়া থোরক্লবা হোৎনবদা পেরেন্টশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌবিয়ু। সরকারগী মায়কৈদগী এদুকেসন সিষ্টেম হেন্না ফগৎনবা পোলিসি সিষ্টেম হেন্না ফগৎনবা পোলিসি কয়া পুথোক্লি হায়না ফ্রান্সিস ঙাজোকপনা ফোঙদোকখি।

মমা-মপাশিংনা মচাশিংগী অপাম্বা খঙদনা নম্ফুদা মখোয়না অপাম্বা ত্রেদতা চৎনবা হোৎনরোইদবনি। মনা ফংলিবা মহৈরোইশিংনা তুংদা এৱার্দ কয়া ফংনবা হোৎনগদবনি হায়খি।

বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুরগী চিয়ারমেনসু ওইরিবা এদুকেসন (এস) কী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি ডাঃ সুরেশ বাবুনা থৌরম মপুগী ৱারোল পীরদুনা ফোঙদোকখিবদা মণিপুর অসি ঙসিদি ভারত্তা এদুকেসনগী হিরমদা মাংজিল থাবা ষ্টেট ওইরক্লি।

ভারতকী অচৌবা ষ্টেট অমগী দিষ্ট্রিক্টকী শরুক কয়া থোকপগী অমখক ওইরিবা ষ্টেট অসিদগী হন্দক পাঙথোকখিবা য়ু পি এস সিনা লৌবা সিভিল সার্ভিস পরিক্ষাদা কেন্দিদেট ১৯ রোম মায়পাকপসি ষ্টেট অসিগী চাওথোকচনিংঙাইনি হায়খি।

থৌরম অসিদা গেষ্ট ওফ ওনরগী ৱারোল পীরদুনা এদুকেসন দাইরেক্টর রাজেননা ফোঙদোকখিবদা মণিপুরদা হৌজিক এদুকেসন সিষ্টেমদা য়াম্না চাওনা অহোংবা লাক্লে। অফবা মহৈরোই কয়া লমদম অসিদগী থোরকপা ঙম্লে। মখাতানা অফবা মহৈরোই কয়া পুথোকপা ঙম্নবা হোৎনসি।

মণিপুরদা হৌজিক চৎনবি অমা ওইনা মহৈরোই অয়াম্বা কোচিং, ট্যুসন তৌবগী চৎনবী অমা লৈরি। মদু তৌদ্রবদি য়াদ্রে। ট্যুসনগী চৎনবী অসি ফবরা নত্রগা ফত্তৱ্রা হায়বা নিংথিনা খন্নবা চুম্লে হায়খি।

বোর্ড এৱার্দ ওইনা ঐচ-এস এল সি পরিক্ষাদা রেঙ্ক ৱান তারবা মহৈরোই সেন্ট জোসেফকী মহৈরোই সি ঐচ অচৌবদা কেরেট ২৪ গী সনা তোলা অমগী মেদল ফংখি। সেকেন্দ রেঙ্ক তাখিবা দোন বোস্কো লাংজিংগী চিংখৈ ৱাংজমনা সনা তোলা অমগী সিলভর মেদল অমদি লুপা লিশিং ১০ অমসুং থার্দ রেঙ্ক তাখিবা ভিওল ফ্লুৱারগী মাইবম ভেলেন্টিনাা লুপা লিশিং ৮গী মনা অমসুং মরিশুবা পোজিসনদগী তরাশুবা পোজিসন ফাওবগী মনুংদা লৈবা মহৈরোইশিংদা লুপা লিশিং ৫/৫ গী মনা পীখি।

তোঙান তোঙানবা সবজেক্টকী টোপ্পরশিংদা তোঙান তোঙানবা ত্রষ্ট অমদি সোসাইটিগী মায়কৈদগী পীবা মনাশিংসু য়েন্থোকখি।

কংগ্রেসতগী তাম্থোক্লগা মহুৎ হাপচিনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৮ ঃ মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সি সি) গী জেনরেল সেক্রেটরি, এদমিনিষ্ট্রেসন, টি মঙ্গা ৱাইফৈনা থা অসিগী ৪ দা থোকখিবা ওর্দর অমনা হন্দক্কী ১০ শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এশেম্বলি ইলেক্সনদা পার্টিগী মায়োক্তা থবক তৌখি হায়বা কুম্বী ব্লোক কংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট নোংমাইথেম ভগিরথ সিংহবু কংগ্রেস পার্টিগী মেম্বরশিপতগী চহি ৬ তাম্থোকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী মহুৎতা ভাইস-প্রসিদেন্ট নিংথৌজম চন্দ্র সিংহবু ইন-চার্জ প্রসিদেন্ট ওইনা হাপচিনখ্রে।

অমরোমদা, ৱাইফৈনা ঙসি থোকপা অতোপ্পা ওর্দর অমনা বিষ্ণুপুর ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী কাউন্সিল্লর মরিনা কংগ্রেসতা য়াওরকপদা পার্টি অসিগী প্রসিদেন্ট গাইখাঙম্না অয়াবা পীরে হায়রি।

কংগ্রেসতা য়াওরবা কাউন্সিল্লরশিং অদুদি টি ঐচ নিল্লসখি লৈমা, ভাইস-চেয়ারপার্সন, দল্লিয়ু ৱাঠা দেবী, কে ঐচ সনাতোম্বা সিংহ, পি লৈমা দেবী অমসুং পি পিরিংচুং চোথে হায়রিবশিং অসিনি।

ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী ফিভম ফগৎনবা মীৎয়েং চংহন্নিংই

ইম্ফাল, জুন ৮ ঃ কাউন্সিলনা লৌবা টুয়েল্ভ পরিক্ষাদা মার্ক য়াম্না ৱাংনা ফংলকখ্রবা জেলিয়াংরোং মহৈরোইশিং য়াওনা তেঙান তেঙানবা য়ুনিভর্সিটিগী মখাদা চহিসিগী ডেক্টরেদ ফংলকখ্রবা মহৈরোইশিং ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা ওকপগী থৌরম অমা জেলিয়াংরোং ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন মণিপুরনা শিন্দুনা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা চিফ গেষ্ট ওইখিবা এমএলএ জংহেমলুংনা ফোঙদোকখিবদা মণিপুরগী খ্বায়দগী হেন্না শোত্থরবা দিষ্টিক্ট অমা ওইরিবা তমেংলোংগী লম্বী-থোং, অনা লায়েং অমদি মহৈ মশিংগী লমদা লৈরিবা অৱাৎপা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং সরকারগী মায়কৈদগী অহেনবা মীৎয়েং চংহন্নিংই। অমরোমদা অফবা মহৈরোই অমা হায়বসি মী মীদুগী ওইনা থোক্লক্কদবনি হায়রদুনা ঙসিগী থৌরম অদুনা জেলিয়াংরোং মহৈরোইশিং মহৈ মশিংগী লমদা খ্বায়দগী ফবা পুন্সিগী মহৈ অদু পুথোক্লবা অহৌবা ওইহনসি হায়খি।

Summer Dhamaka Offer
LCD Offer
MRP
U/Exchange
48 cm
Rs. 10900/-
7900/-
56 cm
Rs. 12900/-
8900/-
61 cm
Rs. 17900/-
12900/-
81 cm
Rs. 26990/-
15990/-
Brand Available : Hundai, Akai, Sansui, Panasonic Sharp
Thangal Bazar Juhi Electronics Opp. AXIS Bank
JAY Electronics, Opp. Manipur Sweet House
under exchange condition apply



DINESHWORI HIGHER SECONDARY SCHOOL
DINESHWORI BHAWAN, CANCHIPUR - 03
(Recognised by BOSEM & COHSEM)
ADMISSION OPEN FOR CLASS XI SC
for the academic session 2012-13

Our Pride in HSE-2012
Naoba Thonga
Mutum Phibou

Ist Divisioner
(Admission fee 55% exempted for first 20 students)

Rent fee exempted for far-off students at Hostel B-Block

*Hostel facilities for Boys & Girls
*Transportation facility
*Coaching/ Tutorial within the school campus
*Special concession/ Scholarship for toppers /OBC/ Minorities/ Handicapped students

Last date of form submission: 15h June, 2012

Free School Uniform & bag for the first 30 Admitted Students

HURRY!!! Limited seats

For detail contact :
Dr. Y. Ibehaibi Devi
Principal
Dineshwori Hr. Sec. School
Canchipur-03
NT/44634/9

SSC’S GRAD. LEVEL (P)
B.P.O. & CLERKS, by
IBPS for Rural Bank, Manipur
L/D online on 20-6-2012
Coaching @ Rs. 500/- p.m., 7-9 am at **FLAME,**
Paona International Market, Paona Bazar.
Class From **6-6-2012**
NT/44547/6,9
Contact : **8974283727**

শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রায় নমঃ

পুবর্বশ্রমদা ঐখোয়গী ইরত্তা তিনবীরম্বা শ্রীহুইরোংবম দেবেন সিংহ-না মনুং মতম চাদনা মাগী ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ ঐখোয় খ্বা পুম্নমকপু থাদোক্লগা, হৌখিবা তাং ৫।০৬।২০১২ ইং, ইঙাগী ১৬ নি পানবা লৈপাকপোকপা নুমিৎতা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী বেষ ওল্লগা শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্যা দাস হায়বা নাম ফংজদুনা বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখ্রে।

লাক্লিবা তাং ১০।০৬।২০১২ ইং, ইঙাগী ২২ নি পানবা নোংমাইজিং নুমিৎতা অষ্ঠি-সঞ্চয় লৌখৎচরগা, তাং ১৮।০৬।২০১২ ইং, ইঙাগী ২৯ নি পানবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা লৈখিদ্রবগী চিড়া উসব দিন থোক্লে। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবা বৈষ্ণব অসিগীদমক ঙমজবা বস্তু খরদং শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্র মহাপ্রভুগী চরন্দা হরি সঙ্কৃর্ত্তনগা লোয়ননা কচ্চগদৌরি।

উপলক্ষ অসিদা ব্রাহ্মণ-বৈষ্ণব, অহল-লমন, মরুপ-মপাং অমদি লৈখিদ্রবগা তিন্নবীরম্বা ঐখোয়নদি শক খঙজহৌদ্রবা খ্বাই খিবিক্লা মতম চানা লেঙবিরক্তুনা হরিনাম শ্রবন তৌবিরনবা খবরগী থোঙদা নিমন্ত্রণ কচ্চরি।

বিনিতগণঃ
শ্রীহুইরোংবম ওংবী ঙাংবী দেবী (সহধর্ম্মিনি)
থৌবাল খেকমন মথক লৈকাই।
NT/44614/8,9

মিনিষ্টর ওইদ্রবসু মিনিষ্টর কয়াগা পুন্না পোলিসি প্রোগ্রাম শেম্মীন্নগনি

-ডাঃ বিজয়

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, জুন ৮ঃ খুরাই কেন্দ্রবু হিরম খুদিংদা চাওখৎপা পুরক্লবা কংগ্রেস এমএলএ অমা ওইনা তৌবা য়াবা তৌগনি। মোইরাং কম্পু খেৱা থোং শানবা মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রিদা তকশিনবদগী অথুবা মতমদা শানবা থৌরাং লৈরে হায়না খুরাই কেন্দ্রগী এমএলএ ডাঃ ঙাইরাংবম বিজয়না ফোঙদোকখ্রে।

ইলেক্সন কম্মিটি মোইরাং কম্পু৩/১২ না শিন্দুনা মোইরাং কম্পু পুরিপুরাবা শঙলেন্দা পাঙথোকখিবা এমএলএ বিজয়বু ওকপগী থৌরমদা চিফগেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা এমএলএ বিজয়না ফোঙদোকখিবদা মণিপুরদা অনৌবা ক্বালিটি লৈবা এডুকেসন সিষ্টেম অমা পুরক্লবা হোৎনবদা কংগ্রেস এমএলএ অমা ওইনা এডুকেসন মিনিষ্টর মোইরাংথেম ওকেনগা হিরম কয়াদা সজেসন অমদি তাথোক-তাশিন পোলিসি ফ্রেম কয়া তৌমিন্নরি।

কংগ্রেস সরকারনা এডুকেসন, হেল্ঠ অমদি অতৈ হিরম কয়াদা অনৌবা অওনবা অমা পুরক্লবা হোৎনবদা মিনিষ্টর ওইদ্রবসু চিফ মিনিষ্টর ইবোবীগী মখাদা মিনিষ্টর কয়াগা তাথোক-তাশিন তৌদুনা পোলিসি প্রোগ্রাম পুন্না শেম্মীন্নরি।

লাক্লিবা চহি খরা অসিদা কংগ্রেস সরকারনা মণিপুরদা মৈ, ঈশিং, এডুকেসন, হেল্ঠ অমদি লম্বী-থোংদা য়াম্না চাওনা অহোংবা চাওখৎপা পুরকপা ঙম্লগনি।

খুরাই কেন্দ্রগী মনুংদা থক্লবা ঈশিংগী খুদোংচাবা নিংথিনা ফংদ্রিবা মফমশিংদা থক্লবা ঈশিং মরাং কায়না ফংহন্নবা হোৎনগনি।

মৈগী ওইনদি চিফ মিনিষ্টরনা হৌজিক মণিপুরগী মফম খুদিংমক্তা নোংমদা পুং ১৮ দগী তাদনা মৈ ফংহন্নবা হোৎনরি। মীয়াম্না নিয়ম চুম্না ওথোরাইজ ওইবা মওংদা মৈগী কন্নেক্সন তৌবীয়ু। টেক্স পীবগী হৈনবীসু থমসি। লৈকাইগী ক্লব-ওর্গনাইজেসন কয়ানসু টেক্স থিদোকহনবদা অচৌবা রোল লৌবীয়ু হায়খি।

থৌরম অসিদা প্রসিদেন্ট ওইখিবা ইলেক্সন কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট এল বিরচান্দনা ফোঙদোকখিবদা এমএলএ বিজয়না কংগ্রেসকী এমএলএ অমা ওইনা খুরাই কেন্দ্রবু চাওখৎপা কেন্দ্র অমা ওইহন্নবা হোৎনরিবা থবক থৌওং কয়া অসি থাগৎনিংঙাইনি হায়খি।

সুবাসিনিদা সাহিত্য মনা পীখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৮ঃ মণিপুর সাহিত্য প্রচারক সেবা, ৱাংজিংনা ডাঃ হুইদ্রোম সুবাসিনি দেবীদা মহাক্কী লাইরিক ‘মণিপুরী সাহিত্যদা লমকোয় ৱারী’ দা প্রিয়োশখি নিংশিং সাহিত্য মনা পীখ্রে হায়রি।

প্রোঃ এলাংবম দিনমনি সিংহ, প্রসিদেন্ট মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালনা চিফ গেষ্ট অমসুংএন বিরেন সিংহ, প্রসিদেন্ট মণিপুরী সাহিত্যা প্রচারক সেবানা প্রসিদেন্ট ওইদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা মনা অসি অইবদা খুৎশিন্নখি। মনা অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ১০, সাল অমসুং সাইটেসন য়াওই হায়রি।

এ আরনা হেপিনেস হোমদা মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৮ঃ রেদ সিল্ড দিভিজনগী মীৎয়েং মখাদা ২৭ শুবা সেক্টরগী অসাম রাইফলসনা ঙসি ঐচ আই ভি গা শাগোন্নদুনা হিংলিবা অমদি কানা লৈজদ্রবশিংদমক চলাইরিবা হেপিনেস হোমদা চৎতুনা মখল মখা কয়াগী মতেং পাংখ্রে হায়রি।

মীওই ৬০ মুক লৈফম চাফম লেম্না পীরিবা হোম অসিবু চলাইরিবা পাষ্টর রামানা অসিগুম্বা মতেং কায়া পাংবীরকপদগীদমক সেক্যুরিটি ফোর্সপু তৌবীমল খঙবা উৎখি হায়রি।

৫/৯ গী গোরখা রাইফলসনসু সিভিক এক্সন পোগ্রামগী মখাদা ক্বাক্তাদা লৈবা জমা মসজিদদা ফেন, ট্যুব লাইট অমদি ইমর্জেন্সি লাইটশিং খুদোল তমখ্রে হায়রি।

গুৱাহাতিদগী য়ুএনএলএফ ৫...

ফারবশিং মফম অদুগী লোকেল কোর্ট অমদা পুথোক্তুনা মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসনগীদমক পুলিস কষ্টডি রিমান্দ লৌথখ্রে হায়নসু এজেন্সিগী পাউ অসিনা মখা তানা হায়রি।

এসকে ৱুমেন্স...

কলেজ অসি য়ুজিসিগী কলেজ ওফ এক্সলেন্ট পোটেন্সিয়েল ফংবা কলেজ অমসু ওইরিবনি। পুন্নমক অসি কলেজ অসিগী টিচিং ষ্টাফ, নন-টিচিং ষ্টাফ অমসুং মহৈরোইশিংগী হোৎনজমলনি। মিংচৎ অসি মখা তানা শাংথনা লৈহন্নবা হোৎনসি। নুপীগী কলেজ অমা ওইবনা হ্যুমেন রিছোর্স মিনিষ্ট্রিনা পায়খৎলক্লিবা স্কিমশিংগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনসি। য়ুনিভর্সিটিগী মায়কৈদগীসু পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি। কলেজ অসিগী মহৈরোইশিংগী মশিং হেনগৎনবা হোৎনসি। এ গ্রেদ ফংলবনিনা য়ুজিসিনসু অহেনবা ফন্দ কয়া থাদরক্লগনি হায়খি।

থৌরমদুগী গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা এময়ুগী রেজিষ্টার এম ইবোতোন্না ফোঙদোকখিবদা, এসকে ৱুমেন কলেজনা এ সার্টিফিকেট ফংলকপসি ঐখোয় খুদিংমক্না পুক্নিং থৌগৎফম থোকই। মীংচৎ অসি মখা তানা লৈহন্নবা হোৎনসি হায়খি।

এক্সিদেন্টতা ২...

অমা শিরগা গাড়ী অনি অদুদা তোংলপা মীওই য়ামদ্রবদা পুন্না তরুক্লোম অশোক-অপন নংখ্রে হায়রি।

লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক্তুদা লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী মমিংনা নাওরেম ইবোতোন (৮৫) কৌই, ককচিং খুনয়াইদগীনি। মহাক জিবন হোস্পিতালদা রিমসতা পুরক্তুনা লায়কন্নরল্লবা মতুং লৈখিদবনি হায়রি।

এন এম এফ পি শেন্থং পীনবা দরখাষ্ট কৌরি

ইম্ফাল, জুন ৮ঃ নেস্নেল মিসন ওন ফুদ প্রোসেসিং (এম এম এফ পি) গী মখাদা শেন্থং ফংনিংবা থৱায় য়াওবা ইন্টরপ্রেন্যুর/এন জি ওশিং/ন্দিভিজুয়েল/ কম্পেনিশিংদগী মণিপুর সরকারগী কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ দিপার্টমেন্টকী চেরোল অমনা দরখাষ্ট কৌরি।

অকুপ্পা মরোল দি আই পি আর মোইরাংখোমগী নিউজ সেক্সন নত্রগা ৱেবসাইট mofpi.nic.in তগী খঙবা য়াগনি হায়রি।

মণিপুরগী ত্রান্সপোর্ট পোলিসি ...

ডিপার্টমেন্ট অসিগী ফগৎনবা পুন্না হোৎনমিন্নবা দরকার লৈ। ডিপার্টমেন্ট অসিগী হান্না লৈরম্বা ত্রান্সপোর্ট পোলিসিগী দ্রাফ অদুদা করি হাপচিনবা নত্রগা লৌথোকপা দরকার লৈবগে হায়বদু য়েংশিনলগনি।

ইম্ফাল মনুংগী ওইনা পার্কিং তৌবা য়াদ্রিবা অসিগী মতাংদা কেবিনেটতা পুথোক্তুনা খন্নরগা অনৌবা ৱারেপ অমা লৌরগনি। মফম অসিদা গাড়ি থাবা য়াদবা অসি ইং ২০১১ গী এপ্রিলদা ফমখিবা কেবিনেট মীফমনা ৱারেপ লৌরম্বনা কেবিনেটকী ৱারেপ্পা ককপা চংই। থৌরম অদুদা কম্মিস্নার ত্রান্সপোর্ট রাম মুইভানা হায়, ডিপার্টমেন্ট অসি রিগুলেটেরি ডিপার্টমেন্ট অমা ওইনা লৈবনি। হৌখিবা চহিদা ডিপার্টমেন্ট অসিনা রেভিন্যু ওইনা লুপা কোটি ১৫.৩৬ খোমগৎপা ঙমখি। সরকারগী ডিপার্টমেন্ট পুম্নমক্না রেভিন্যু মপুং ফানা খোমগৎপা ঙমদুবসু ত্রান্সপোর্ট ডিপার্টমেন্টনা থমখিবা তার্গেট য়ৌনা শেল খোমগৎপা ঙম্বা অসিমক চাওথোকচনিঙাইনি। হৌজিক ষ্টেট অসিগী গাড়িগী মশিং অসি পুন্না লাক্ষ অনি চনি হুম্ফুমাথোই য়ৌরে। ডিষ্ট্রিক্ট অয়াম্বা কম্প্যুটরাইজ তৌরে। উখ্রুল অমদি সেনাপতি ডিষ্ট্রিক্ট অসি চৎলিবা চহি অসিদা তৌনবা হোৎনরি। অমরোমদা আই এস বি টিগী থবক অয়াম্বা লোইরে। ঈশিং অমদি সেনিতেসনগী ফন্দ সেঙ্কসন তৌদবনা থবক হৌবা য়াদ্রি। মসি প্লান্দা হাপ্পবা হোৎনরি। ষ্টেট অসিগী মনুং হঞ্জিনবা সব- ডিভিজনশিং লম্বী থোং ফগৎহনবা ঙমলে হায়খি।

সাহিত্য মনা লাম্হোকপা অমসুং এৱার্দশিং ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৮ঃ মণিপুরী সাহিত্য সচারক সভা, ৱাংজিংনা শিন্দুনা সভা অসিগী ৩৫ শুবা মপোক কুমওন থৌরম অমা ঙসি লমদিং হায়স্কুলগী হোলদা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা সাহিত্যগী মনাশিং অমদি সঙ্গিৎকলাগী লমদা থোইদোক হেন্দোকপা দান কয়া তৌবগীদমক উপাধি অমদি মনা কয়া ফংলক্লবা মীওই ৬ পু হরাও তরাম্না ওক্তুনা পুক্নিং থৌগৎখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট, প্রোঃ এলাংবম দিনমনিনা অথোইবা মীথুং, সভা অসিগী প্রসিদেন্ট, নহাকপম বিরেন্না থৌরম মপু অমদি সাহিত্য সেবা সম্মিটি, কক্চিংগী প্রসিদেন্ট, য়েংখোম ধনঞ্জয়না ইকায় খুম্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

প্রচারক সভা অসিগী মপোক কুমওনগা মরী লৈন্নবা লাম্হোকখিবা সাহিত্যগী মনাশিং অমদি মনা ফংখিবা। ফংখিবিশিং অদুদি, থোকচোম অমুবা সিংহ শাস্ত্রি (খাঙবোক) না কৎপা, “প্রিয়োশাখি নিংশিং সাহিত্য মনা”, অদুগা চহী অসিগী ওইনা মনা অসি শক্লাইরবী অইবী, ডাঃ হুইদ্রোম সুবাসিনি দেবীদা মাগী “মণিপুরী সাহিত্যদা লমকোই ৱারী” হায়বা লাইরিক অদুদা পীখি। মনা অসিদা শেল ওইনা লুঃ লিশিং ১০, শল অমা লোয়ননা সাইতেসন অমসু য়াওরি। ডাঃ সুকমিনিনা মনা অসি ফংবা মঙাশুবা মীওই ওইরে।

ঙসি লাম্হোকখিবা অতোপ্পা সাহিত্যগী মনা অদুনা, মোইরাংথেম রাজেন্দ্র (কবিরাজ তেল্হা) না কৎপা “ইবোতোম্বা সাহিত্য সেবক মনা” নি। মনা অসি চহী অসিগী ওইনা পুন্না মীওই অনিদা পীখি। চহি ৱাইশিল্লক্লবা অইবা/অইবীশিংদা পীবা মনা অসি খাঙবোক্তগী নিংথৌজম মনি অমদি, “নহারোল থৌদাং” পাউচেগী ৱারিমচা ইবগী কলমনিষ্টসু ওইরিবা ঙাইখোং খুল্লেন, বিষ্ণুপুরদগী লমাবম তোমচানা পুন্না ফংমিন্নখি। মনা অসিদা শেল ওইনা লুঃ লিশিং ৫/৫, শাল অমা লোয়না সাইতেসন অমসু য়াওরি।

অমরোমদা, সঙ্গিৎ, কলা অমদি সাহিত্যগী লমদা তোঙান তোঙানবা কান্নবা অবদান কয়া তৌবগীদমক্তা রাজ্যগী থাক্তা উপাথি অমদি মনা ফংলক্লবশিংসু ঙসিগী থৌরম অদুদা অচম্বা খুদোল অমমম পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। মখোয়শিং অদুদি, নিংথৌজম ইতোমচা (সঙ্গিৎ রত্ন), অথোকপম বীরবাবু (কলা ভুষন), যুগেশ্বর ৱাইখ্যা (কাব্য ভুষন), সত্যবতি নিংঙোম্বম (ডাঃ যামিনি এৱার্দ), য়াম্বেম সত্য সিংহ (সাহিত্য সেবক) অমদি যুম্নাম অমুমচা সিংহ (কলা ভুষন) নি।

তুংদা, কবিরাজ মোইরাংথেম রাজেন্দ্রোনা থৌরম মপু ওইদুনা কবি সম্মেলন অমসু পাঙথোকখি। মদুদা কবি ৩০ হেনবা শরুক য়াখি হায়রি।

থৌপুবা খনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৮ঃ নুপীশিংগী চাওখৎ থৌরাং অমদি লৈবাক্কী থবক থৌরমদা শরুক য়ানবা ‘কংলৈ ইমা লুপ’ কৌবা লুপ অমা শেমখিবগা লোয়ননা আর কে ওংবী সনাহনবী, য়ুরেম্বম চিত্রা অমদি খাইদোম ওংবী লৈমবু মথংশিংনা প্রসিদেন্ট, সেক্রেটরি অমদি ত্রেজরর ওইনা লুপসিগী থৌপুনবা খনখ্রে হায়রি।

নো কনফিদেন্স মোসন থাঙ্গৎখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৮ঃ কুম্বী নগর পঞ্চায়টকী হৌজিক লৈরিব রুল্লিং বোদি অসিগী মথক্তা কাউন্সিল্লর মঙানা ঙরাং জুন ৭ তা কুম্বী নগর পঞ্চায়টকী একজিক্যুটিভ ওফিসারদা নো কনফিদেন্স মোসনগী অইবা চেরোল অমা পীশিনখিবগা লোয়ননা অনৌবা বোদি অমা শেম্নবগীদমক কাউন্সিল মঙাগী ওইবা য়ুনাসটেদ দিমোক্রেটিক এলাইয়েন্স অমা শেমখিবগা লোয়ননা এলাইয়েন্স অসিগী কনভেনর ওইনা এম নুংশিতোম্বী দেবি, কাউন্সিল্লর ৱার্দ নম্বর ৩ বু খনখ্রে হায়না কাউনিল্লর মঙাসিনা সহি তৌদুনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

মেগা স্কুলদা ফোতো এক্সিবিসন উৎখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৮ঃ মণিপুর এমেচর ফোতো ক্লবনা চহী অসিগী **‘ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডে’** গা মরি লৈননা চৎথরক্লিবা **ফোতো এক্সিবিসন** অদুগী মনুং চন্না ঙসি মেগা মণিপুর স্কুল, য়ারলপাৎতা ফোতো ১৩০ উৎখ্রে হায়রি।

মণিপুরগী মনুং হঞ্জিনবা মফম য়াওনা অকোয়বগী ফিবমগা মরী লৈনবা ক্লব অসিগী ফোতো জর্নেলিষ্টশিংনা কাপ্লকখিবা ফোতোশিংগী এক্সিবিসন অদু স্কুল অসিগী মশিং য়াম্নবা মহৈরোইশিং, টিচিং অমসুং নন-টিচিং ষ্টাফশিংদা উৎখি।

ফোতোশিং অদুনা হৌজিক হৌজিক ওইরিবা অকোয়বগী শক্তম উপগী মথক্তা অমাং-অতোংগী খেন্নবা ময়েক শেংনা মহৈরোইশিংদা খঙহনবা-উহনবা ঙমখি হায়রি।

এম এ পি সিগী ফোতো এক্সিবিসন অসি মখা তানা স্কুল, কলেজ অমদি য়ুনিভর্সিতি অমদি তোঙান-তোঙানবা লূপশিংনা মখোয় মখোয়গী কেম্পসতা উৎলন্নিংবা লৈরগদি য়াইস্কুল পুলিস লেনদা লৈবা ক্লব অসিগী লাক্লগা কন্তেক্ট তৌরবা য়াগনি হায়নসু ফোংদোরক্লি।

নাগালেন্দ ১সুং মণিপুরগী ...

ইং ২০১০ দা ইবোবীনা এন এস সি এন (আই এম) গী জেনরেল সেক্রেটরি থুইঙালেং মুইভাবু উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট মনুং চনবা মহাক্কী পোরক্লফম খুঙ্গং সোমদলদা চৎপদা অথিংবা থমখিবদগী নাগাশিং অমসুং তম্পাক্কী এন জি ও শিংগা লৈনরিবা মরীদা চাওনা উংখৎনরকখি। নাগা এন জি ও শিংনা ইকোনোমিক ব্লোকেদ চথবদগী থা অহুম চুপ্না মণিপুর প্রজা কয়া অৱাবা মায়োক্লখি। ইকুই কুইদনা পাঙথোকখিবা মণিপুর এসেম্লি ইলেক্সনশিং অদুদা শরুক য়াখিবা এন পি এফকী লিদর টি আর জেলিয়াংবু মণিপুরগী নাগাশিংনা নম্না খুন্দাবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা চংবা য়াহন্দনবা ইবোবীগী সরকারনা অকনবা মওংদা হোৎনখি হায়না রাইওনা ৱারৌখি।

ষ্টেট অনি অসি যুগ্লোন্নবনি অমসুং তুংদসু পুন্না লৈমিন্নখিগনি হায়না রাইওনা ফোঙদোকখ্রে। অদুম ওইনমক ইবোবীনা ফোঙদোকখিবা ৱারোল অদুনা লমদম অসিগী উংখৎনবগী ফিভম অসিদা অহোংবা অমা পুরকপা য়ারি।

মণিপুরদা থোক্লিবা লালহৌবগী ইরাং অসি নাগালেন্দ ষ্টেট শেমখিবগা মরী খরা লৈনৈ হায়না লৌবা য়াই। মতুংদা এন এস সি এন (আই এম) না নাগাশিংনা খুন্দাবা এরিয়াশিংবু অমত্তা ওইনা পুনশিনগদবনি হায়না দিমান্দ তৌরকপদগী তম্পাক্তা খুন্দারিবা মেজোরিটি মৈতৈ ফুরূপশিংনা নুংনাংবা পোক্তুনা মণিপুরগী টেরিটোরিয়েল ইন্টিগ্রিটিগীদমক্তা অকনবা ঈহৌ হৌখি।

ওটো দ্রাইভরনা আইআরবি...

মদুদা অঙকপা অমা ওইখি। মখোয় অনি ওটো অদু তোংলগা শগোলমাংদা মায়কৈদা চৎলগা মথং মথং ফাওরক্লগা কোইরেঙ্গৈগী *‘তাজ কেফে’* তা চংখি। নুপা অদুনা অচাপোৎ চাশি হায়বদা চানিংদে হায়বদগী ঈশিং থকউ হায়না পীথকখি হায়রি।

“ঈশিং অদু থক্লবদগী গ্যান মংখ্রে” পল্লদুনা লনচেনবীনা হায় “ঐনা গ্যান তারকপা মতম অদুদা রেষ্টুরেন্ট মনুংদা ইশাদা শেৎলিবা ফিরোল মওং-মরিল তাদনা লৈরমখিবনি”।

মসিগী মথক্তা লনচেবীগী ঙকশমদা শিবা লিক, খুৎশাদা শিবা খুদোপ য়াওরমদ্রে। মহাক্লা হংবদা লিক অমদি খুদোপ অদু বোচা মশানা পায়শিল্লি, পীরক্লে হায়রগা অদুমক পীরকখিদ্রে হায়নসু ফোংদোরক্লি।

মখোয় অনি ওটো অদু হল্লকখি। লম্লোং য়ৌরকপদা বোচানা মমান্নবা অমদা ফোন তৌখি। মমান্নবা অমা থোরক্লগা ওটো অদু শিন্নরমখি। অদুগা মখোয় অনিনা মখোংনা ইম্ফালগী মফম খরদা চৎমিন্নখি। অথেংবদা চেল্লবনি হায়বনি হায়না খুরাই থোইদিংজম লৈকায়দা লৈবা মমান্নবা অমগী ময়ুমদা চংখ্রগা মহাকপু সড়ক্তা ঙাইহল্লগা থল্লমখি। অদুবু থোরকমনদবদগী চংশিল্লগা হংলুবদা মফম অদুগী মীওইশিং আই আর বি প্রেম মশক খঙলমদে। মফম অদুদগী মখোংনা হল্লকপদা সলাম্থোং য়ৌরকপদা নুমিদাংগী পুং ৮ রোম তারক্লে। মফম অদুগী মীওইশিংনা চিংনবগী ফাজিনবীখি। মদুগী মতুং নুপী সমাজগী কাংবু অমনা মহাকপু মফম অদুদগী জেনিমস তম্না পুবীখিবনি হায়রি।

জেনিমসতগী রিমসতা রিফর তৌরক্তুনা মেডিকেল চোক-অপ তৌখি। মহাক নুপী ওইবীগী ইজ্জৎ মাংহনবীখ্রে হায়বগী খুদম ফংবা ঙমখি। অদুবু নুমিৎতুদগী ঙসি ফাওবা নুপী সমাজগী ওফিসতা লৈরকখিবনি হায়নসু লনচেনবীনা ফোংদোরক্লি।

মহাক্কী ইমুং-মনুংনসু মরাল লৈরবা বোচাবু ফাবীনবা লম্লাই পুলিস ষ্টেসনদা রিপোর্ট অমা তৌখ্রে হায়রি।

মরকসিদা নুপী সমাজগী প্রসিদেন্ট তরুনিনা নুপীগী পুন্সি মাংহনফম ওইখিবা তাজ কেফে অসি মতম চুপ্পগী ওইনা থিংজিল্লগনি হায়না পাউমীশিংগা উন্নবা অদুদা ফোংদোরক্লি।

GNM;B.Sc(N);P.B.B.Sc(N)
MBBS;BDS;BE;MBA;MCA,etc. Sevice (N) can do P.B.B.Sc(N) also. Contact FLAME, Paona International Market
NT/44376/31,1,3,5,7,9,11,13 #8974283727

PHYSIOTHERAPY JOB
Wanted Female Physiotherapist (BPT)
NT/44387/31 to 6 June
Contact : 9612908915

য়াগীদমক তুথপেষ্ট
লিভরগীদমক লিভসাভ ®
চানিংবা চাবীয়ু
নুঙাইনা লৈবীয়ু
অঙাংশিংগী
অঙাংশিংগী লিভসাভ ®
অঙাংশিংগী লিভসাভ ® শিজিন্নবগী চাং
অদোমগী অঙাং মশা-মউ ফনা থম্বীয়ু
চানিং থক্লিংবা হেনগৎহল্লি
খোং হাম্বা য়াদবগী অৱাবা কোকহল্লি
চাবা তুম্বগী শক্তি হেনগৎহল্লি
চাখাও ৱাই চিনবদগী কোকহল্লি অমসুং
Double Strength LIVER TONIC
LIVSAV DS
Customer Care : 0250-2393239/2393627/2393204

HIYANGTHANG LAIREMBI SEVA SAMITTEE
গী অনৌবা OFFICE BEARER খল্লে

1. Shree Loitongbam Ibomcha Singh - Chairman
2. Shree Sarangthem Munal Singh - Vice Chairman
3. Shree Hidam Manglem Singh - Vice Chairman
4. Shree Laishram Yaima Singh - General Secy.
5. Shree Aheibam Brajabidhu Singh - Asst. Gen. Secy (Construction)
6. Shree Sarungbam Khogen Singh - Asst. Gen. Secy.
7. Shree Thounaojam Nabakumar Singh - Cashier
8. Shree Sagolsem Shamu Singh - Secy. Pukei
9. Shree Thounaojam Lalmani Singh - Secy. Sangkritan
10. Shree Sarangthem Ningthemjao Singh - Auditor
11. Shree Loitongbam Brajamohon Singh - Auditor
12. Shree Sagolsem Modhu Singh - Leikai Secy.
13. Shre Maishram Brojendro Singh - Leikai Secy.
14. Shree Konjengbam Rajeshwor Singh - Leikai Secy.
15. Shree Yumnam Tomba Singh - Leikai Secy.

Sd/-
Hiyangthang Lairembi Seva Samittee, Hiyangthang
NT/44629/9

STUDY MBBS AT
NT/44383/31,1,5,7,9,11,13

QUALITY COLLEGE OF NURSING
Affiliated to: RGUHS Recognized by: INC and KNC
4/5,P.P. Layout, Subramanyapura Post, Uttarahalli-Kengeri
Main Rd, Bangalore - 560061
B.Sc. Nursing - 90,000/- P.A. GNM-50,000/- P.A.
Including:
Food & Accomodation, Books, Uniform, Note Book, Stationary & Study Tour.
Special food for Manipuri Students
Sd/- Principal
#: 08496984838/080-26730891, 26730289 (O)
NT/42968/15 -15 June
E-Mail:- sanjoyenjoy@yahoo.co.in

লাক্লিবা তাং ১০।৬।১২ নোংমাইজিং নুমিৎতা শুংশোই শোইদনা পাঙথোকচগদৌরবা SSU SINGJAMEI গী
HOUSIE BUMPER DRAW
মফমঃ- Singjamei Community Hall, Singjamei Parking
মতমঃ- পুং ৪ (নুংথিল) টিকেটকী মমল - লুঃ ৩০০০/-
Prizes : 1. House Full - Rs. 5,00,000
2. 2nd House Full - Rs. 1,00,000
3. 3 Line - Rs. 50,000
4. Star of SSU - Rs. 50,000
N.B. Ticket পাইখিবা মীওইশিংনা Draw অসিবু মপুং ফানবগীদমক মাঙজৌনা Paid তৌবিয়ু। Ticket কী Paid তৌফমশিংদি Singjamei Community Hall, SSU Office Building, Kakwa
Sd/-
N. Birendra Singh
Secretary General, SSU
NT/44615/8,9,10